ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕꯥ, ꯑꯣꯛꯇꯣꯕꯔ ꯳꯱, ꯲꯰꯱꯶, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯰ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯱꯱ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, ওক্টোবর ৩১, ২০১৬, ইম্ফাল
৪০ শুবা চহী, ২১১ শুবা মশীং

# অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট শেম্বা

## *কুকি-নাগাগী লম য়েন্নবদৌনা লৌরোইদবনি*

***মণিপুরদা*** সদর হিলস অমসুং জিরিবাম হায়বা দিষ্ট্রিক্ট অনী শেম্নবা ৱাফম অসি মতম কয়াগী মমাঙদগী হৌনা চয়েৎনদুনা লাক্লি। কুমজা ১৯৯৯ অদুৱাইদা দল্লিয়ু নিপামচানা লুচিংবা লৈঙাক্কী মতমদা মণিপুরদা তোখায়বা দিষ্ট্রিক্ট অহুম শেম্নবা থবক লৌখৎখি। নোংমতদা সদর হিলস অমসুং জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট ওইরে হায়না লাউথোক্লনবা থৌরাং লোইরুরবনি। থৌরম পাঙথোক্লনবা চেবাউ ফাওবা নম্লুরবনি। অদুবু মতমদুদা নাগা এম এল এশিংনা সদর হিলস দিষ্ট্রিক্ট শেম্লবদি লৈঙাক্তগী তোক্কনি হায়না অকনবা ৱাফম থল্লকপদগী শঙ্গাবা চৎলমদাইদা তোকখিবনি। অদুবু ইম্ফাল ইষ্টকী য়েৎনবা য়াওদবনা মরম ওইরদুনা মতমদুদা ইম্ফালদগী ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট হায়না দিষ্ট্রিক্ট অনী থোক্লা খায়দোকখি। মদুগী মতুং তারকপদা পানখিবা চীফ মিনিষ্টরশিংদা জিরিবাম অমসুং সদর হিলস দিষ্ট্রিক্ট শেম্বীনবা মরী লৈনবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংনা তকশিন্দুনা লাকখি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু দিষ্ট্রিক্ট অনী শেম্বগী চপ চাবা ফীরেপ লৈ হায়বসি মণিপুরগী মীয়াম্না খঙই। অদুবু লুরিবদি সদর হিলস দিষ্ট্রিক্ট নৎত্রগা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট শেম্বগী ৱাফম অসি হৌজিক্তি মখোয়-মখোয়গী পারি-পুরি হাক্তক্তগী লৈরক্লবা লমগী শরুকশিং কাঙবু অনী থোক্লা য়েন্নবদৌনা লৌনরক্লে। মসিদি তশেংনমক খ্বাইদগী নুংঙাইতবা অমসুং খল্লোইদবা ৱাখল্লোন অমনি হায়দবা ঙমদে। দিষ্ট্রিক্ট অমা পোকপা হায়বসি করি মরমগীদমক্তনো হায়বা ৱাহং কয়ামরুম লৈগনি। ৱাহংশিং অদুগী মনুংদা লৈঙাক চল্লাইবদা নুংঙাইনবা, লৈঙাক্কী মহী-ময়াইশিং লোইজিং-লোইয়া য়ৌহন্ননবনি। মসিনা লৈঙাকপদা খুদোংচাহনবতা নত্তনা মরী লৈনবা দিপার্ট-মেন্টশিংগী ফমশিং হাপ্তবা য়াদবনা মরম ওইরগা পোষ্ট ক্রিয়েসন য়াম্না তৌরক্কনি। হায়রিবা পোষ্টশিং অদু থবক ফংদ্রিবা নহারোলশিংদা থবক পীননবনি হায়না লৌরবসু কায়দে। মিৎয়েং অসিদা অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট শেমগে হায়রবদি অরানবা অমত্তা য়াওদে, কনামত্তনা য়েৎপসু চুম্লোই।

মণিপুরদা সদর হিলস অমসুং জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট শেম্বদা নাগাশিংনা য়াম্না কন্না য়েৎলি। দিষ্ট্রিক্ট শেমগনি হায়বা পাউনিলখোল অসিনা মরম ওইরদুনা য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিল (য়ু এন সী) না নুমিৎ নীনি বন্দ কৌবতা নত্তনা বন্দ অসিগী মতুং তারকপদা মতম কক্তনা ইকনোমিক ব্লোকেদ চথুরগনি হায়না লাউথোকখিবা লৈখ্রে। য়ু এন সীনা লাউথোকখিবা খোঙজংশিং অসিনা মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা কাঙলুপ মশেলগী মরক্তা লান্না লৌনখিবা য়াবগী অকিবা লৈতবা নত্তে। করিগীদমক্তা নাগাশিংনা সদর হিলস দিষ্ট্রিক্ট শেম্বদা য়েৎলিবনো হায়বসি নৈনবা তারবদি মখোয়না দিষ্ট্রিক্ট অসি নাগাশিংগীনি হায়না লৌই। হায়রিবা দিষ্ট্রিক্ট অসিমক গ্রেটর নাগালেন্দ/সাউথ নাগালেন্দ শেম্বদা মরু ওইবা মফম অমা ওইহন্নবা অরোনবা থৌরাং তৌরিবনি। মসিগীসু মথক্তা কুকিশিংবু নাগাশিংনা য়েলহৌমী অমা ওইনা লৌবা ঙমদে। মসিমক্লা মরম ওইরগা নাগা-কুকি অনীগী মরক্তা কাঙলুপকী ওইবা ঈরাং থোক্তুনা মীওই কয়া অশি-অনা নংহনখিবনি। তশেংনমক্কীদি সদর হিলস হায়বসি কুকিশিংনা মপুং ওইনা তাজরগসু নাগা, মৈতৈ, নেপালি অমসুং অতৈ কাঙলুপ কয়াসু পুন্না খুন্দামিন্নৈ হায়বসিদি মীয়াম্না খঙই। জিরিবামবু অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট শেম্বগী ৱাফম অসি য়াম্নমক মরম চাই। রেল লম্বী শেম্বা হেক লোইবগা জিরিবাম অসি মণিপুরগী খ্বাইদগী মরু ওইবা মফম ওইগদৌরিবনি। মসিগীসু মথক্তা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা সব-দিভিজন ওইনা লৈবনা জিরিবামগী মীয়াম্না তঙাই ফদবা থবক থৌরম কয়াদা খম থেংনা খুদোংচাদবা মায়োক্লরি। অদুবু লুরিবা ৱাফম অমদি য়েৎনবা অমা লৈরিঙৈদা লৈঙাক্লা করিগুম্বা ৱারেপ অমা তহা-তহানা লৌবা হায়বসিদি অচুম্বা ওইরোই। মীখলগী য়েংলগা দিষ্ট্রিক্ট শেমগনি হায়রবদি মসিদগী হেন্না লানবা অমামুক লৈরোই। সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি তরুক্কী মনুংদা অহুমদি কুকিশিংগীনি। করিগুম্বা দিষ্ট্রিক্ট লাউথোকপা তারগদি সীট অহুম্মক কোংগ্রেসনা ফংগনি হায়না পাবা য়াই। চুড়াচান্দপুর মায়কৈদসু কোংগ্রেসকী ফীভম ফগৎলক্কনি হায়বসিসু অচুম্বা ওইবা য়াই। তৌবতদি অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট লাউথোক্লুরগা মদুদা থোরকপা তমথীরবা ঈরাং অদুনা মরম ওইরগা ষ্টেটকী লো এন্দ ওর্দর কাং-খোং চাইগনি। তঙাই ফদনা মণিপুরদা প্রসিদেন্ট রুল ফাওবা লাকপা য়াই হায়বসি লৈঙাক্লা খন্থবীরগা থবক তৌহন্নিংই।

## ••• *এডিটরদা থারকপা চিঠি* •••

## খাঙবোক থংবা অরোং তুরেল তোর্ব্বান শেমজিনবীদুনা কোয়লাস থাবীয়ু

***ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,***


**তুরেল** খুদিংমক্কী তোর্ব্বান অনী লৈবগুম অরোং তুরেল তোর্ব্বানসু অনী লৈ। তোর্ব্বান অমনা অথোকপম থংবনি অদুগা তোর্ব্বান অমনা খাঙবোক থংবনি। অথোকপম থংবা তোর্ব্বান্দি য়াম্না ফজনা শেমজিন্দুনা নেসনল হায়ৱে অরোং থোংখোংদগীনা লৈশাংথেম ফাওবা কোয়লাস থাবা লোইরক্কদৌরে। অদুগা খাঙবোক থংবা তোর্ব্বান্দি ফজনা শেমজিনবীদবদা নত্তনা কোয়লাস ফাওবা থাবা য়াবগী মমি উবা ফংদ্রে। মসিবু করিগীনো? তোর্ব্বান অনীমক্কী শরুকশিং চপ মান্নবা মওংদা থম্বা মথৌ তাদব্রা? ঈশিং ঈচাও থোক্লকপা তারবদি কমদৌবা? লুপ্পা তাই। শোকপা তাই, মাঙজবা তাই। মরমসি লৈবনা তোর্ব্বান অনীমক চপ মান্নবা মওংদা থম্বা তঙাইফদে। অরোং তুরেল প্রোজেক্ট ওনবীখিবা কুইরে। পৈশাসু ময়াম অমা থাদবিখিবা অদু কদাইদা লৈখ্রবগে? তোর্ব্বান চাউথোকপদা শোকহনবীখিবা লৌমীশিংগী পৈশাসু অমত্তা পীবিদে। নাকল নাম্মখক্তা শেম্লগা লোইখ্রব্রা?

অরোইবতা থমজনীংবদি নাকল নাম্মা ফজনা শেমজিনবীদুনা কোয়লাস থাবগুম নাকল অসোমগীসু ফজনা শেম্বীদুনা কোয়লাস থাবিয়ু। চপ মান্নবা মিৎয়েং য়েংবীবনা ফরোইদ্রা? হায়রিবা অরোং তুরেল তোর্ব্বান অনীসি এম এল এ অনীগীনি। অমনা থৌবালগী অদুগা অমনা খাঙবোক্কী, অনীদুদি ইকায়খুম্নজরিবা সি এম অমসুং মেদামগী সাইদনি। নেসনল হায়ৱে অরোং থোংখোংদগীনা হাফ দাম ফাওবা লৈরাই নমথখিবা কুইরে। অদুগা থোং অমা শাবিরিবসিসু লোইশিন্দনা থম্বীরি। লোয়ননা তোর্ব্বান চাউথোকপদা শোকখিবা লমগী কম্পেন্সেসনসু অমত্তা পীবিখিদ্রে। অসুক য়াম্বা প্রোজেক্ট ওনবগী পৈশাবু কদাইদা থম্বীখ্রবগে? মরম অদুনা অথুবা মতমদা মরী লৈনবা ওথোরিটিগা তানবিরগা শেমজিনবীদুনা কোয়লাস থাবীয়ু হায়জরি।

*অদোমগী - থোকচোম থম্বালঅঙৌ সিংহ*
*খাঙবোক ময়ায় লৈকায়*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৯

১। অরিবা মৈতৈলোনগী ৱাহৈ অনীসিগী ৱাহন্থোক পীয়ু।
(ক) ফম্মোইমিৎ (খ) ময়েল্লু।
২। ‘‘অপুম্বা পেঙবা অমনা/...লুকমাই অমগী মথক্তা/মঙ মঙলি।’’ কবি কনানা হায়বনো?
৩। ‘মনি মমৌগী বিচার’ কৌবা ৱারীমচা অসিগী অইবীদু কনানো?
৪। "Manipur Trilogy" হায়না ইংরাজিদা লাইরিক ওইনা হন্দোকপা অইবদু কনানো?
৫। হাপ্লিবা শক্তম অসি কনাগীনো?☞



ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ৪, ইরাই নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।
ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।

# *লৌমীশিংগী কাখল*

## আলু চারা অমসুং থাফমদা চেকশিনগদবা

**ডা: এম থোইথোই সিংহ**

**অফবা** চারা খনবা অমসুং নিয়ম চুম্না থাফম শেম্বা লোইরবদি মপূং ফাবা পোথোক পুথোক্লবগীদমক থবক তঙ্খায় অমা লোইরে হায়না খনবা য়ারে। অফবা আলু চারানা পোথোক য়াম্না পুথোকই হায়বসি মীপুম খুদিংমক খঙনৈ। লুরিবদি অফবা চারা কদায়বু কৌবগে হায়বসিনি। অফবা চারাদা চেনগদবা মগুনশিংদুগী মনুংদা খরদং লৌখৎপা তারবদি জাৎ শেংবা, ময়ান তুয়ান তৌদবা, চাং মান্ননা চাউবা, লায়না চেন্দবা অমসুং ময়োন থোকপা চাং মান্নবা হায়বসিনি।

**জাৎ শেংবা ঃ** জাৎ শেংবা, য়ানদবা আলুদমক থানবা হোৎনবীগনি। মসিগীদমক ইশানা লোকচহৌবা লায়না তীলনা চেন্দ্রবা, চাং মান্নবা, চেকশিন্না থমজবা আলুদু শীজিন্নবিবা য়াই। লৈবা তারবসু থাজবা য়াবা মফমদগী লৈবীগনি, মপূং ফানা লেবেল তৌরবা চারাদমক লৈবীগনি। চানবগীদমক অফ-অফবা খল্লগা য়োন্থোকখ্রবা মতুংদা লেমহৌবা, ময়াম্না পাম্নদ্রবা অপীকপা আলুশিং অদু খুইজিন্দুনা ময়োন থোরক্লবা মতুংদা বোরা অহনবদা হাপ্তুনা চারা ওইনা য়োন্থোরকপসু কোঙ্গাইনি। ঐখোয়না অফবা চারানি খন্না শীজিন্নরি। মসিনা পোথোক হন্থহনবতা নত্তনা ইশাগী ইঙ্খোল নৎত্রগা লৌফমদুদা লায়না তীলনা পুশিনবা হয়বদু থোকহল্লি। য়ারিবমখৈ মসিগুম্বসি থোক্তনবা হোৎনসি।

**চাং মান্নবা চারা ঃ** চাউবা, মচু অমসুং মওং মান্নবা আলু ওইগদবনি। চাউবা খেন্নবগী মতুং ইন্না থাবা মতমদা কুংবা লনবা খেন্নৈ। চাউবা মান্নদ্রবদি আলু চারা হেন্না চঙখিনি। থানবা আলু চারাশিংদু চাউরপ তৌবা ওইগনি হায়বদি মরাক্তা ইঞ্চি ১.৫ মুক ওইগদবনি। মচু মান্নদবা আলুশিং জাৎ মান্নগন্দে। শাংতক তৌবা আলুদগী মতুম তাবা আলুনা হেন্না ওইজবা লৈ। মান্নদবা আলুশিং জাৎ মান্নগন্দে। শাংতক তৌবা আলুদগী মতুম তাবা আলুনা হেন্না লইজবা লৈ। পরিদা শাংতক তৌবা আলু চারা ক্বিন্টল ২০ দগীনা ২৫ ফাওবা চঙলবসু মতুম তাবা আলু চারাদি ক্বিন্টন ১৫ দগী ১৮ ফাওবদা চঙই।

**লায়না চেন্দবা আলু ঃ** লায়না খরা নত্তনা আলু চারাবু লায়না চেল্লি চেন্দে হায়বা লুই। লায়না চেনবগী চাং নেম্মী হায়না খন্নরিবসি সর্টিফাইদ সীদপুনি। য়ারিবমখৈ শেংলে, ফরে খনবা চারাশিং লৌবীগনি। আলু চারাশিংদা শম্বু নৎত্রগা শজিককুম্না তোংথোকপা ৱার্ট দিজিজ হায়না খঙনবা লায়না অদু চেনবা আলু থাবদা য়াওখিদনবা চেকশিনবীগনি। লায়না অসি চেনবা আলুশিং থারুবা মফমদুদা লায়না অসি লৈহৌদুনা মখা তানা শন্দোরক্লবা মচাক ওইহল্লি। আলুদা তোয়না নাগনবা *লেট ব্লাইট* অমসুং *আর্লি ব্লাইট* মীয়াম্না তোয়না থেংনরবা লায়নানি। মখোয়শিং অসি চারাশিংদা চেন্নরকপদগী খরমখৈ কান্নবা অমসুং লৈবাক্তা হান্না লৈরম্বা, লায়না অসিবু থোকহল্লিবা মহীকশিংদগী ঙাকথোক্লবগীদমক Metalaxyl অমসুং Mancozeb কী অপূনবা হীদাক Master 72 WP নৎত্রগা Anumill M 72 WP গ্রাম ১০০ নৎত্রগসু Cymoxanil অমসুং Mancozeb য়ান্নবা হীদাক গ্রাম ১০০ লৌবীরগা ঈশিং লিটর ২০ দা (গ্রাম ৫ ঈশিং লিটর খুদিংদা) তুমহনবীরগা খল্লবা চারাশিং অদু মিনিট ৩০ তীংবিগনি। বেক্টোরিয়ানা থোকহনবা আলুগী মখোঙদা ইঞ্চি ১-২ মুক শাংনা মুশিন মুনা খামদেকপগা লোয়ননা পাম্বী খুইথবী লায়না অমসুং আলু খায়দোক্লগা য়েংবদা ইকোয় কোয়না মুশিনবা দাগ লৈহনবা লায়নাশিংগীদমক্তদি ঈশিং লিটর ১০০ দা Streptocyclene নৎত্রগা Anucin হায়না খঙনবা বেক্টোরিয়াগী হীদাক্তু গ্রাম ৬ হাপ্পীগনি। হায়রিবা হীদাক অসি মথক্কী হীদাক অসিদা য়ানশিন্নবা য়াই। তৌবতবু আলুদু তীংলমদাইদা হীদাকশিংদু য়ানশিনগনি অমসুং চাং কায়হনবীরোইদবনি। তীংলবা মতুংদা পানা শন্দোকপীদুনা উরুমদা কঙহনবীগনি। মতুংদা থানবা শেম শাবীবা য়ারে। ভাইরসনা থোকহনবা লায়নাগীদমক্তদি হীদাক থানিংঙাই লৈতে অদুম ওইনমক ময়ায় ওইনা চাউবা আলু চারা খনবা, হয়েং ভাইরস লায়না তাবা হৌরক্লবা মতমদা নারবা পাম্বীশিং ফুক্তোক্তুনা মৈ থাদোকপা অমসুং মখা তানা শন্দোরক্তনবা তীল হীদাক অমা কাপথোক্কনি।

**ময়োন চোংবগী চাং ঃ** মমিৎ অনীদগীনা মরি ফাওবা পানবা আলু চারা মীয়াম্না পাম্লে। ময়োন চোংবগী ইঞ্চি অমমুক্তং শাংনা চোংবা চারানা হেন্না ফৈ। মসিদগী হেন্না শাংখ্রবদি তেক্কল্লি। হীদাক্তা তীংবা, লৌথোক লৌশিন তৌবা অমসুং পায়থোক পায়শিন তৌবদা খুদোংচাদে। থানিংলিবা আলুদুনা ময়োন চোংবগী মতম ওইদ্রিবা ওইরগদি হীদাক থাদুনা ময়োন চোংহনবা য়াই। থাদ্রিঙৈদা ময়োন চোংহন্নবগীদমক্তা চাদা অহুমগী মপাঙ্গল লৈবা Ethylene Chlorohydrin দা পুং ৭২ হায়বদি নুমিৎ হুমনি তীংলবা মতুংদা চাদা অমগী মপাঙ্গল লৈবা Thiourea দা পুং অমা তীংবীগনি। অদুগা অরোইবা ওইনা Gibberellic Acid (1 ppm) দা মিনিট ১০ তীংবীগনি। মতুংদা উরুমদা কঙহনবীগনি। নুংশা মঙাল য়াম্না পানা ফংবা উরুমদা আলুশিংদু নুমিৎ ১৫ দগী ২০ নি ফাওবা পানা শন্দোক্তুনা থম্বীরবদি আলুশিংদু ময়োন চোংগনি। মতুংদা থাননবা শেম্বীবা য়ারে।

**আলু থাফম ঃ** মহৌশানা আলু হায়বসি মণিপুরগী অয়াম্বা মফমদা থাবা য়াই। অদুবু লৈঙোই লম ওইনা তৌবা চোৎ চোৎ লাউবা, মপূং ফানা পথরবা নাপী শিংবীগী হার মরাং কায়না য়াওবা মফমশিংদনা হেন্না পক্লে। অশিন-অরাক্কী চাংদি pH ৫.৫ দগীনা ৭.৫ ফাওবদনা হেন্না নীংথিনা হৌই। pH হেন্না ৱাংবা মফমদদি scab disease হেন্না তাগল্লি। লুনা তৌথোক্তুনা মথক মখা ওন্থোক্তুনা লৈকুপ তাহল্লবদি লায়না তীলনা চেনবগী চাং নেম্মী। অদুবু ঐখোয়না মুন্না য়েংগদবদি মফমদুদা হান্না (মমাঙ চহীদা) থাখিবা আলুশিংদা করি করি লায়না তাখি হায়বদুনি। ময়াম্না পাম্নদবা, অখায়বা আলুদা ইকোয় কোয়না খুজিগী মওংদা অমুবা দাগ লৈবা *রিং রোট* হায়না খঙনবা লায়নাদু মমাঙ চহীদা তাখ্রবদি মফমদু অতোপ্পা পাম্বী থাবীবনা ফৈ। লায়না অসিবু থোকহল্লিবা বেক্টোরিয়া অসিনা নাহনবা ঙম্বা পাম্বী য়াম্মী। সোলোনেসি কাঙবুগী পাম্বীশিং - আলু, মোরোক, খামেন, খামেন অশিনবনচিংবা অমসুং অতৈ অতোপ্পা পাম্বীশিং হায়বদি কেগে, লৈবাক হৱাই, লফু অমসুং শিঙনচিংবা পাম্বীশিংদসু নাহনবা ঙম্মী। মরম অদুনা মফম অদুদগী লায়না অসিবু মাঙহনখিনবা অওন পোৎথা (ক্রোপ রোটেসন) তৌবদা পাম্বী মখলশিং অসি য়াওহন্দবা তাবনি। শম্না হায়রবদা চারা অফবা খনবগুম থাফমগীসু খন্থবীবা তাই। মফমদুদা করম করম্বা পাম্বী থাখি, করি করি নাখি, হায়বদু নীংশিংবীরবদি লায়না তীলনা তাদনবা হোৎনবদা ৱাবগী চাং হন্থগনি হায়বসি থমজনীংই।

## ঈশিং-নুংশিৎ, অঙৈং অশা (মেটিওরোলোজিকেল) গী ঈ-পাউগী কান্নবা

**এস সুমঙ্গোল সিংহ**



***হৌজিক্কী*** মতমদা রেদিও, টি ভি, পাউচেনচিংবদা নোংমগী/মতম খরগী ওইবা অঙৈং অশা অমদি নোংগী ফীভমগী মরমদা তোয়না পাউ চেনবা ঐখোয় অয়াম্বনা থেংনরি। মসিগী কান্নবা অসিগী মরমদা মমাঙথক্তংসু থমজখ্রে। ঙসিসু অমুক হন্না মসিগী কান্নবা অসি মরু ওইনা লৌমী ইচিন ইনাওশিংগী ওইনা অমুক্তা হন্না থমজরি। হীরম অসিগী মতাংদা মীয়ামদা মিৎ নাকোং ওইনবা, মমাঙদসু থমজখ্রবা খরা হেন্না মিৎ নাকোং শিংবা ইচিন ইনাও অমগী ৱারী অমুক্তা হন্না থমজগে। লোয়ননা অতোপ অতোপ্পা ময়ামগী কান্নগনি খনবা ৱাফম খরগসু খঙজিনমিন্নসি।

ঐখোয় অয়াম্বনা খঙনরবা ৱাফমদি - মালেমসিদা হৌরিবা পাম্বীশিং অসি মাগী মাগী চানবা, হৈনবা অঙৈং-অশা, লৈহাও লৈজৈ হায়বসিনি। খুদম ওইনা হায়রবদা কাশ্মীরদা সেম নিংথিনা হৌই হায়দুনা মণিপুরদা মায় পাকপগী ওইথোকপা লৈরোই। খা ভারত্তা নিংথম-কালেন অনীমক্তা ফৌ মায় পাক্লা থারবসু অতোপ্পা মফম পূম্নমক্তা কৈদৌনুংদা ওইথোক্লোই। নিংথম থাদা থাগদবা হৱাই মঙ্গন কালেন থাদা থাবা ওইথোক্লোই। হায়বদি পাম্বী খুদিংমক্কী চানজবা/হৈনজবা নুংশা মঙালগী চাং, নুংথিলগী নৎত্রগা নুমিদাংগী শাংবগী মতম অমদি অঙৈং অশাগী চাং লৈজৈ। পাম্বী খুদিংমক্কী হায়রিবা চাংশিং অসি খঙবগা লোয়ননা মতম মতমগী হায়রিবশিং অসিগী ঈ পাউ কুপ্পা শেন্নদুনা শীজিন্নরবদি লৌউ শিংউ তৌবদা মায় পাক্কনি হায়বসিনি খঙজিনবদা কান্নগদৌরিবদি।

নোংমা, ইচিন ইনাও অমগা পূন্না চথমিন্নবা ত্রাইএল অমগীদমক, ফৌ লোকপগী রেকোর্দ লৌনবা নুমিৎ লেপ্পখি। লেপ্পরিবা নুমিৎ অদু খাওদুনা থল্লবা ফৌ য়ৈবগী নুমিৎনি। লেপ্প খিবা নুমিৎকী মতুং ইন্না চৎলুবা মতমদদি য়ৈবা লোইদুনা বোরাদা তোঙান তোঙান হান্দুনা লৈরমখি। ইচিন ইনাওদুনা হায়বদা ‘‘কদাইদগী টি ভিদা অমুক্তোইবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ লাক্কনি হায়বগী পাউনা পীক থল্লবা মতমসিদা হায়নখিবা নুমিৎ ঙাইদুনা লৈবা য়াদ্রে খন্দুনা, তাকপীরম্বা মতুং ইন্না য়ৈথোক্লগা লোইশিনখ্রে’’। কয়াদা চুমখ্রবা থৌরাংনো! ঐ য়াম্নমক ইচিন ইনাওদুবু পূক্লিংদা থাগৎচখি। ইচিন ইনাওদুগী মফম য়ৌনবা চৎখিবা লম্বীগী নাকল অনীমক্তা লৈরিবা লৌবুকশিংদা খাওদোক্লবা ফৌগী ফৌবোমশিং, নোংগী ঈশিংদা তাও তাওদুনা লৈহৌবদু উরুবদা য়াম্নমক থৱায় নুংঙাইতনা চৎখিবনি। অদুবু মফমদু য়ৌবদা কয়াদা নুংঙাইখিবা, ময়াম্না হেন্না খঙলম্লগনি খঞ্জে। মসিনি ঈশিং নুংশিৎকী ঈ পাউনা মীয়ামগী মফমদা পীরিবা কান্নবশিং। খরা হেন্না থমজরবদা, করিগুম্বা হায়নখিবনি হায়দুনা ইচিন ইনাওদুনা নুমিৎতু ঙাইরম্লবদি ত্রাইএল তৌরিবা ফৌশিং অদুসু ফৌবোম তাওদুনা লৈরমগনি, খঙনীংলিবা অশেংবা ৱাফমশিংসু খঙবা ঙমদনা হোৎনজরুবা খুদিংমক মাঙদুনা তোক্লমগনি।

থমজরিবা ৱাফমদি নোংমগী ঈ পাউখক্তগী নত্তে। অঙৈং অশা, নুংশিৎতা য়াওবা ঈশিং মনিলগী চাং খুদিংমকসিগা ঐনা ঐনা থারিবা মহৈ মরোং পাম্বী খুদিংমক্কী নীংথিনা মপূং ফানা হৌদুনা পোথোক পুথোকপা ঙম্বগা য়াম্নমক নক্লবা মরী লৈনৈ হায়বসিমসুনি। অসিদা নত্তনা থারিবা পাম্বীদা তাগনবা লায়না তীলনাশিংগা ঈশিং নুংশিৎকী ফীভমগসু য়াম্নমক নক্লবা মরী লৈনরিবনি। লায়না নৎত্রগা তীলনা অমনা হৈনবা ফীভম লাক্লবদি ঐখোয় খুউ শেনবা তাই। খুদম অমতং পল্লবদা - নোং থিৎলি-থিৎলি অমুক লেপ অমুক চু হায়বদি নুংশা অমুক শা নোং অমুক চু তৌরবা, লৈচিন নোংফাই থাংলবা, ফৌনাদা লিক্লা পক্লবা ফৌগী ব্লাষ্ট হায়রিবা শাথিরবা লায়না অসি তারক্লবগী য়াম্নমক ফরবা ফীভম্নি, চেকশিন থৌরাং শোয়দনা পায়খৎতপা তারে। নোং কন্না চুরগা লেপখিবা ওইরবদি থোইদোক্লা কিনিঙাই ওইদে।

মনা খামদেকপী আলুগী শাথিরবা লায়না (লেট ব্লাইট) অসি খরা ঈংবা (২০° সেলসিয়স) মতমদা নুংথিলগী মৈশানা নুমিদাংগী মতমদগী খরগা হেন্না শাবগা লোয়ননা লৈচিল নোংফাই থাংদুনা নুংশিৎতা ঈশিং মনিলগী চাং ৱাংলবা লোয়ননা আলু মনাদা লিক্লা পক্লবা মতমদা তাগল্লি হায়বসি খঙজিনবা কান্নগনি।

অসুম্না নোং চুবা নৎত্রগা নুংশা শাবা অমদি অইং অশাগী চাং হায়বসি লৌমী ইচিন ইনাওশিংগীদমক্তি শনপোৎ খোইবগী থৌরাং, মহৈ মরোং মরু হুনবা, থাবা, ঈশিং চনবা চন্দবা, হার চাইবগী থৌরাং, হেকপগী নৎত্রগা লোকপগী তাঞ্জা অসিনচিংবা মরু ওইরবা থৌরমশিং অসিগী শেম শাবগী অশেংবা তাঞ্জাশিং থৌরাং তৌনবগী য়াম্না মরু ওইবা মরমশিংনি। মরম অদুনা হায়রিবা মরু ওইরবা মচাক অহুম অসিগী পাউ খঙবা হায়বসি শেন্দোং লৈনা, মায় পাক্লা লৌউ শিংউ তৌবদা য়াম্নমক মরু ওইবা অমনি হায়বসিনি থমজনীংলিবা ৱাফমদি।

মরমশিং অসি লৈবনা মরু ওইবা মহৈ মরোং খরগী খঙবদা কান্নগদবা ৱাফম খরা থমজরি।

| নিংথম | চানবা মতম | অঙৈং-অশা (সেলসিয়স) | কালেন | চানবা মতম | অঙৈং-অশা (সেলসিয়স) |
|---|---|---|---|---|---|
| হৱাই মঙ্গন | সেপ্টেম্বর-ওক্টোবর | ২২-২৫° | ফৌ | জুন-জুলাই | ২০-৩৭.৭° |
| আলু | ” | ১৭-২৫° | নুং হৱাই | ” | ১৫-৩২° |
| কোবি লৈ | অঙনবা- মে-জুন<br>ময়ায়- জুলাই-ওগষ্ট<br>অথেংবা - সেপ্টেম্বর-ওক্টোবর | ২০-২৭°<br>১৬-২০°<br>১২-১৬° | শগোল হৱাই | ” | |
| কোবিফুল | মতম লৈতে | অয়াম্বা মতমদা চানৈ, মতম তেনবা শাংবা মখল লৈ | লৈবাক হৱাই | ”<br>” | |
| ব্রোকোলি | ওগষ্ট-ওক্টোবর | ১০-২৪° | শিং | এপ্রিল-মে | ২৮-৩৫° |
| হঙ্গাম | সেপ্টেম্বর-ওক্টোবর | ২৬-৩০° | য়াইঙং | এপ্রিল-মে | ২০-৩০ |
| তিলহৌ | মতম য়াম্মী | মরু কাদ্রিঙৈ -১৩-২৩°<br>মরু কারিঙৈ -১৬-২১° | ভেলন্দ্রি | ” | ২৫-৩০° |
| চনম | সেপ্টেম্বর-ওক্টোবর | মখল অনী লৈ। নুংথিল শাংবা/ তেনবদা চানবা | খামেন অশিনবা | এপ্রিল-মে; জুলাই-ওগষ্ট | ২১-২৪° |
| গাজর | ” | ১৬-২১° | খামেন | ফেব্রুৱারী-মার্চ; মে-জুলাই; ওক্টোবর-নবেম্বর | ২৫-৩০° |
| হৱাই মুবি | ” | ১৫-২৫° | | মোরোক<br>এঙ্খাং মোরোক | ২০-৩০°<br>১৭-২৩° |

নিংথম কালেন হায়দুনা চাওরাক্লা খাইদোক্তুনা থমজবনি। মাগী মাগী খরা হেন্না চানবা মতমদি খরা খরা অদুমক খেন্নবা লৈতবা নত্তে। মতমগী মতুং ইন্না অনৌ অনৌবা, মতমগা চানবা, অফবা মখলশিং পুথোকপা লেপ্পা লৈতে। মতম নাইদনা থাবা য়াবা, অঙৈংবা/অশাবা খাংবা ঙম্বা মখল কয়া অমনি। অদুমকপু মথক্তা থমজরিবা থাবগী মতম অমদি অঙৈং অশাগী চাংগা অদুমক নক্লনা লৈবনা মখোয়না হৈনজবা হায়বদুদি অদুমক ওইদুনা লৈবনা অয়াম্বনি।

অমরোমদনা অমুক মানা মানা হৈনজবা অঙৈং-অশাগী খরদং হেন্দোক হেঞ্জিনবা য়াদবা কাঙবুসু লৈতবা নত্তে। খুদম ওইনা অশাবগী চাংনা ৩০° গী মথক হেক হেনখিবদা আলু তাবা শুকঙমমক ঙল্লোই। খামেন অশিনবা অসি ৩২° সেলসিয়স হেন্না হেক শারবা, ১২° সেলসিয়সতগী তানা ঈংলবা খামেন অশিনবা পানবা শোয়দনা হন্থরনি, ১০° দগী হন্থরবা খামেনগী অঙাংবা মচু ফংবা শুকঙম ঙল্লরোই।

খঙজিনবা য়াবা কয়া অমনি। থমজনীংলিবদি, মরু ওইরিবা পাম্বী মখলশিং অসিগী হৈনজবা ফীভমশিং ইশিন্দুনা থম্বীয়ু, চাংয়েং মচা-মচা পাঙথোকপীয়ু, মতম খজিক খজিক খেন্নহন্দুনা মতম অমত্তদা পুল্লপ মণিপুর পূম্বদা কোবিনা/খামেন অশিনবনা ৱাই চাইহনবা তোকসি। মতম মতমগী অঙৈং অশাগী, নোংজু নুংশাগী পাউগী কান্নবা লৌবীদুনা মায় পাকপা লৌমী ওইবিয়ু, মীয়ামগী অমদি শা ষণগী হিংনবগী অমত্তা ঙাইরবা, থৱায় ওইরিবা চিঞ্জাক পুথোক্তুনা পূম্নমক্কী মপূং ফাবা মতেং তৌবিয়ু।